# মমাংগী চেম্পিয়ন এ টি কে মোহন বগান এফ সী জমশেদপুর এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

8 Dec, Tuesday (20th Match)
Bengaluru FC
vs
NorthEast United FC
Time : 7:30 PM



জমশেদপুর এফ সীগী শান্নরোয় মণিপুর মচা জেকিচান্দনা বোল পুশিনখিবা

ভাস্কোদাগামা, দিসেম্বর ০৭(এজেন্সী):
ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৬শুবা এদিসনদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা এ টি কে হৌজিক্কা এ টি কে মোহন বগান হায়না খঙনরবা টিম অসিনা ঙসি ভাস্কো দা গামাদা লৈবা টিলক মাইদান ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা এদিসনগী ১৯শুবা মেটচতা জমশেদপুর এফ সীগী মখূৎতা টিম অসি পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে।
ঙসিগী মেটচ অদুদা এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদগী শান্নবগী ফোর্মেট অদু ৩-৫-২দা শান্নখি। অমরোমদা জমশেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগীনা ৪-২-৩-১গী ফোর্মেটতা শান্নরকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং ফাওবদা লৈখিবা পোইন্ট টেবলদা এ টি কে মোহন বগান মেটচ ৩ শান্নবদা অহুম্মক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৯ ফংলগা মুম্বাই সিটি এফ সীগা পোইন্ট মান্নদুনা গোল দিফরেন্সতা খেন্নরগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা, জমশেদপুর এফ সী মেটচ অহুম শান্নবদা অনী দ্রো চৎলগা অমা মায়থীদুনা পোইন্ট ২খক ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈরমখি।
ঙসিগী মেটচ অদুগী অহৌবা মিনট ৩০ চঙশিল্লকপদা জমশেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগী আইটোর মোনরোইনা পীরকখিবা বোল অমদা নিরিজস ভালস্কিসনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা মখা তাবা অহানবা হাফকী লেমহৌরিবা মিনট ১৫গী শান্নবা অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফতা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী এদিসনগী চেম্পিয়ন এ টি কে মোহন বগান এফ সীনা ইক্বেলাইজর ফংননবা অকনবা মওংদা প্রেসর পীরকখিবা অদু কান্নবা ফংখিদে। ৬৬শুবা মিনটতা জমশেদপুর এফ সীগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ভালস্কিসনা পাঞ্জল অমগসু চনশিনখি। এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদগী মেটচকী ৮০শুবা মিনটতা রোইকৃষ্ণনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা ইক্বেলাইজর অদু ফংদনা মায়থীবা নংখি।

| Pos | Team Name | P | W | D | L | F | A | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mumbai City FC | 4 | 3 | 0 | 1 | 6 | 1 | 5 | 9 |
| 2 | ATK Mohun Bagan FC | 4 | 3 | 0 | 1 | 5 | 2 | 3 | 9 |
| 3 | Northeast United FC | 4 | 2 | 2 | 0 | 6 | 3 | 3 | 8 |
| 4 | FC Goa | 4 | 1 | 2 | 1 | 6 | 5 | 1 | 5 |
| 5 | Bengaluru FC | 3 | 1 | 2 | 0 | 3 | 2 | 1 | 5 |
| 6 | Hyderabad FC | 3 | 1 | 2 | 0 | 2 | 1 | 1 | 5 |
| 7 | Jamshedpur | 4 | 1 | 2 | 1 | 6 | 6 | 0 | 5 |
| 8 | Chennaiyin FC | 3 | 1 | 1 | 1 | 2 | 2 | 0 | 4 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 4 | 0 | 2 | 2 | 3 | 6 | -3 | 2 |
| 10 | Odisha FC | 4 | 0 | 1 | 3 | 2 | 6 | -4 | 1 |
| 11 | East Bengal Club | 3 | 0 | 0 | 3 | 0 | 7 | -7 | 0 |

# ইন্দিয়ানা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীদা শান্নবগী হীরম খূদিংমক চুংশিন্নবগীদমক মতেং পীগনি : কিরেন রিজিজু



এন্টি দোপিং অমসুং স্পোর্টস সাইন্সকী ৱেবিনারদা শরুক য়াখিবা রিজিজু

ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৭(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা কিরেন রিজিজুনা ঙসি হৌদোকখিবা এন্টি দোপিং এন্দ স্পোর্টস সাইন্সকী ৱেবিনারদা শরুক য়ারদুনা লৈবাক অসিগী মায়কৈদগী শান্নবগী দিসিপ্লিন খূদিংমক্তা চুংশিন্নবা লৈনবগীদমক্তা মালেমগী ওইনা লৈরিবা শান্নবদা পোৎয়ান শীজিন্নদুনা অরানবা মওংদা মাংজিল থানবা হোৎনরিবশিং অদুবু য়েংশিন্নবা লৈরিবা লূপ ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীবু মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।
ঙসি ইন্দিয়াগী ওইবা নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সী (নাদা), নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) অমদি নেসনল দোপ টেষ্টিং লেবোরেটরি (এন দি টি এল)না পুন্না খূৎশম্নবা শীনখিবা এন্টি দোপিং এন্দ স্পোর্টস সাইন্সকী ৱেবিনার হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাফমশিং অসি য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবনি।
ৱেবিনার (ভর্চ্যুএল মীটিং) অদুদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা মীওইশিং অদুদি ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী প্রসিদেন্ট ৰিটোল্ড বঙ্কা, নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সীগী ব্রান্দ এম্বেসেদর সুনিল সেট্টি, য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেটরি রবি মিটল, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর আর সী মিশ্রা অমদি নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সীগী দিরেক্টর জেনরেল অমদি চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসরসু ওইরিবা নবিন অগরৱালনি।
ৱেবিনার অদুদা কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা, ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী মায়কৈদগী শান্নবগী হীরম খূদিংমক্তা কাঙলোন লান্না মশাগী পর্ফোর্মেন্সশিং অদু দ্রগ শীজিন্নদুনা অহেনবা মওংদা পুখৎনবা হোৎনরিবশিং অদুবু থিংনবগী চঙশিল্লিবা খোঙথাং অদু থাগৎপগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হীরম খূদিংমক্তা মতেং পাংগনি হায়খি। ইন্দিয়ানা শান্নবগী লম্‌দা থম্মোয় শেংনা অমদি অরানবা খোঙথাং শীজিন্নদনা শান্নববু অশেংবা মওংদা পুশিন্নবা হোৎনবগীদমক অকনবা ফিরেপ লেপ্তুনা লৈরি।
মখা তানা রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সীনসু শান্নবগী দিসিপ্লিন কয়াদা অহেনবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্নবা হোৎনবদা শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কাউন্সিলনা অথিংবা পীখ্রবা পর্ফোর্মেন্স হেনগৎহন্ননবা পোৎয়ান (দ্রগ) শীজিন্নবা থিংনবা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীনা পীরিবা কাঙলোনশিং অদুচুম্না চত্থদুনা লাক্লি।
অতোপ্পা পাউ অমদা স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইরিবা কিরেন রিজিজুনা ঙসি ইন্দিয়াগী মফম শীনবা থুংনা পাঙথোক্কদবা অনীশুবা এদিসন ওইরিবা ফিট ইন্দিয়া সাইক্লোথোন হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখি।
ফিট ইন্দিয়া সাইক্লোথোন অসি থা অসিগী ৩১ ফাওবা ঙসিদগী হৌরগা লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। হায়রিবা থৌরম অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই পূম্নমক মশা নাদ-য়েক্তনা শাজেল তৌনবগী পান্দমদা সাইকল থৌবনা কান্নবা পীবা অদুগী পান্দমথমগদৌরিবনি। মসিদসুনৎতনা সাইকলনা কার্বোনফ্রী ওইহনবা লৈবাক অমা ওইহনবগী ৱাখল্লোনসু য়াওরি।

# আই এস এলদা ভি এ আর চৎনবা পাম্মী : রোবি ফাওলর



ভাস্কো, দিসেম্বর ০৭(এজেন্সী):
ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী কোচ ওইনা থৌ পুরিবা মমাংদা ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইরম্বা রোবি ফাওলরনা লীগ অসিদা ভি এ আর (ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরেল) চৎনহনবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখ্রে।
নীংশিংবা য়াই গোৱানা য়ূম্বু ওইরগা ষ্টেট অদুগী সিটি অহুমদা লৈবা ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা তরেৎশুবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট শরুক য়ারকপদা এস সী ইষ্ট বেঙ্গল থংন-থংননা অহুম্লকশুবা ওইনা মায়থীবদা থাংজ নুমীৎতসু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লবকী মখূৎতা মায়থীবা নংখি।
টিম অদুগী কোচ রোবি ফাওলরনা ফোঙদোকখিবদা, নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মখূৎতা মায়থীখিবা অদু মেটচ অদুদা মহাক্কী শান্নরোয়শিংনা চত্থখিবা এটেকতা রেফরিগী ৱারেপ অনীরক লানখিবরা হায়না ফোঙদোরকখি। পেনাল্টি পীরম্বা য়াবা খূদোংচাবা অনী অদু রেফরিনা পীখিদবা মরম্না হৌজিক-হৌজিক মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা চত্থরিবা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদা শীজিন্নরিবা ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরেল অসি ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদসু শীজিন্নবা মথৌ তারে হায়না ফোঙদোরকপনি।
ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরেল সিষ্টম অসিনা ফুটবোল মেটচ অমা কন্দক্ট তৌরিবা সেন্টর রেফরি অমদি এসিষ্টেন্ট রেফরিশিংগী দিসিজনদা শান্নরোয়শিংনা চিংনবা লৈরবদি অমুক হন্না রেফরিশিংগী ৱারেপ অদু হন্দোকপা য়াহনবগী খূদোংচাবা অমা পীরিবনি।
পেনাল্টি পীরম্বা য়াবা তাঞ্জা অদু রেফরিনা কুপ্না য়েংশিনহৌদবদগী পাঞ্জল ওইগদবা খূদোংচাবা মাঙজ রিবনি। মরম অদুনা ভি এ আর সিষ্টমনা তশেংনা শান্নরোয়শিংগী অশোয়বা অদু রেফরিনা উহৌদ্রবসু খূদোংচাবা অদু পীবা ঙম্বগী তাঞ্জা লৈবনিনা আই এস এলদসু খূদোংচাবা লৈহনবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি।

# পোইন্ট মান্নরবসু লিভরপুলদগী টোটেনহাম হোটস্পরনা গোল দিফরেন্সতা মঙা হেন্দুনা লীগ টেবলদা মাঙজিল থানা চৎলি



হিয়ুং মিন সুননা অর্সনেলগী শান্নরোয় লাম্থোক্তুনা বোল পুশিল্লকখিবা

লন্দন, দিসেম্বর ০৭(এজেন্সী):
ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বায়দগী মমিং লৈরববা লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ওইনা মমাং সিজনগী চেম্পিয়ন লিভরপুল অমসুং টোটেনহান হোটস্পর পোইন্ট মান্ননা লৈখ্রবসু গোল দিফরেন্সতা হোটস্পরনা হেন্দুনা টেবলগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।
লীগ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা অর্সনেলবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখিবনি। অদুগা অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা লিভরপুলনা ৱোলবরহেমটন ৱান্দরর্সপু পাঞ্জল ৪-০দা থোইখি। টিম অনীম্মক মেটচ ১১/১১ শান্নবা লোয়শিনখিবদা পোইন্ট ২৪/২৪ ফংনখ্রবসু পাঞ্জল চনবগী চাংদা য়েংনরুবদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ২৩ চল্লগা মায়োক্লবা টিম্না শুপ্নগী পাঞ্জল ৯ চনশিল্লক্তুনা গোল দিফরেন্সতা ১৪ লৈরি। অমরোমদা লিভরপুলনা পুন্না মেটচ ১১ শান্নবদা পাঞ্জল ২৬ চনবা ঙমখ্রবসু মায়োক্লবা টিম্না পাঞ্জল ১৭ চনখিবা মরম্না গোল দিফরেন্সতা ৯ লৈখিবদগী ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ অসিদা লিভরপুল অনীশুবা পোজিসনদা লৈরগা টোটেনহাম হোটস্পরনা অহানবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লিবনি।
টোটেনহাম হোটস্পর অমসুং অর্সনেলগা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুদা টোটেনহামদা ষ্ট্রাইকর অমা ওইনা শরুক য়ারিবা সাউথ কোরিয়া মচা হিয়ুং মিন সোনা শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লক্লবা ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা টিম অদুগী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর হেরি কেননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০দা অর্সনেলবু মাঙজিল থাদুনা লৈখি। মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা ঙম্মখিদবদগী টোটেনহামনা ২-০দা থোইখি।
লিভরপুল অমসুং ৱোলবরহেমটন ৱান্দরর্সকা শান্নখিবা মেটচ অদুদা অহানবা হাফতা লম্বা য়াম্না মান্ননা শান্নরকখি। অদুবু লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন লিভরপুলগী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর মুহম্মদ সলানা শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ৱান্দরর্সপু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। ৱান্দরর্সকী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌবা মতম অদুদা ইক্বেলাইজর চনবা ঙমদনা হাফ অদু লোইশিনখি।
অনীশুবা হাফতা মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা লিভরপুলগী মায়কৈদগী অহেনবা এটেক কয়া চত্থরকখি। মদুগী খূদোংচাবা অমদা ৫৮শুবা মিনটতা জিওর্জিনিয়োনা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লবা মতুং ৬৭ শুবা মিনটতা মুহম্মদ সলানা পীরকপা বোল অমদা জিওল মাটিপনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।
পাঞ্জল ৩-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা লিভরপুলনা মখাতানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা টিম অদুনা কাউশিনখিবা বোল অমদা ৱোলবরহেমটন ৱান্দরসকী শান্নরোয় নেলসন সেমেদোনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জল অদুনা লিভরপুলগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

# কেন ৱিলিয়মসন টেষ্ট বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা অনীশুবদা লৈখ্রে



দুবাই, দিসেম্বর ০৭(এজেন্সী):
ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা টেষ্ট ক্রিকেট মশান্নগী বেটসমেনশিংগী ওইবা মকোক-মথং নাইবগী পরিংদা ন্যু জিলেন্দগী কেপ্টেন ওইরিবা কেন ৱিলিয়মসন অনীশুবা থাক্তা হাইগৎতুনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগা চপ মান্নবা থাক্তা লৈমিন্নখ্রে।
কেন ৱিলিয়মসননা হন্দক্তা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা টেষ্ট সেরিজদা ফজবা ঙমখিবদগী হান্না লৈরম্বা পোইন্টশিং অদুদগী হাইগৎলক্তুনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিগা পোইন্ট মান্নদুনা টেষ্ট ক্রিকেটকী বেটসমেনশিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা অনীশুবা থাক্তা হাইগৎলকখিবনি।
বেটসমেনশিংগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টিভ স্মিথনা পোইন্ট ৯১১ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা ভিরাট কোহলি অমসুং ৱিলিয়মসননা অনীশুবদা লৈরিবনি।
অমরোমদা, টেষ্ট ক্রিকেটকী ওইনা ওল রাউন্দরশিংগী ওইবা পরিংদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী কেপ্টেন জেসন হোল্ডরনা হান্না মকোক থোংদুনা লৈরম্বা অদু ইংলেন্দগী বেন ষ্টোক্সনা ফম অদু মুনবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী রবিন্দ্র জাদেজানা ওল রাউন্দরগী পরিং অদুদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি। অদুবু টিমমেট রবিচন্দ্র অস্বিন থাক অমা হন্থরগা ৬শুবদা লৈখ্রে।

# এ সী মিলানননা সামদোরিয়া থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থারি



এ সী মিলানগী শান্নরোয়না সামদোরিয়াগী শান্নরোয় লাম্থোক্তুনা বোল পুবা

রোম, দিসেম্বর ০৭(এজেন্সী):
ইটালিগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী মকোক থোংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এ সী মিলানননা সামদোরিয়াবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মখা তানা মাঙজিল থাদুনা লৈবা ঙম্লি।
সামদোরিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ লুইগি ফেরারিজ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু মখোয়না এ সী মিলানবু হৌরকপদা অকনবা লম্বা পীবা ঙমখি। মেটচ অদুগী পুংখায় হেঞ্জিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। হাফ অদু লোইগদবা মিনট ফাদ্রবা মতমদা এ সী মিলানগী মায়কৈদগী ফ্রাঙ্ক কেসীনা অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা সামদোরিয়াবু মখোয়না ১-০দা মাঙজিল থারগা হাফ অদু লোইশিনখি।
অনীশুবা হাফকী পুংখায় হেল্লবা ফাওবদা এ সী মিলানগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈখি। অমরোমদা, সামদোরিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনখিবা অদুসু মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচকী ৭৭শুবা মিনটতা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংগী রাউন্দ লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম ২০না লম্বা তৌনবগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা এ সী মিলানগী সাম্যুএল কাষ্টিলেজোনা টিমমেট এন্টে রেবিকনা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।
সামদোরিয়াগী টিম মমাংগী রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ১২শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। মদুদগী হাইগৎনবা হোৎনবদা ঙরাংগী মেটচ অদুদা মখোয়গী লম্বেল লৈখিদ্রবসু ৮২শুবা মিনটতা অলবিন একদালনা পাঞ্জল ১ হন্দোক্লগা ১-২দা মায়থীখি।

# লিওনা মেট্‌জপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইদুনা লীগ ৱানগী ৩শুবদা লৈখ্রে



লিওগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবা কার্ল টোকো ইকম্বী

পেরিস, দিসেম্বর ০৭(এজেন্সী):
লিও ফুটবোল ক্লবনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফ্রান্সকী লীগ ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মেট্‌জপু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ২৬ ফংলগা অহুমশুবা থাক্তা লৈবা ঙমখ্রে।
মেট্‌জনা ঙরাংগী মেটচ অদু য়ূম্বু ওইদুনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ সেন্ট সিম্ফোরিন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অয়াম্বা শরুক লিওনা অহেনবা মশান্না উৎপা ঙম্বগা লোয়ননা পাঞ্জলসু চনবা ঙমখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা লিওগী কার্ল টোকো ইকম্বীনা পীরকপা বোল অমদা মেম্ফিস দিপেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি।
অহানবা হাফ লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ২ চঙশিল্লকপদা কার্ল টোকোনা টিমমেট হোসিম ওরগী মায়কৈদগী পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মখোয়না মেট্‌জপু ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।
শান্নবগী মখা তারকপা মিনট ২০ ফাদ্রিঙৈ লিওগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা অমদি অহানবা পাঞ্জল চনবদা বোল সপ্লাই তৌখিবা কার্ল টোকো ইকম্বীনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদুগী মায় পাকপগী লম্বেল নকশিলহনখি। মেটচ অদুগী ৭৫শুবা মিনটতা মেট্‌জকী মায়কৈদগী ফারিদ বোলায়ানা টিমমেট ওপা ঙুটেনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল অমা চল্লগা মখা তাবা অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী লিওনা ৩-১দা থোইখি।
টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা ষ্ট্রাসবোর্গনা নান্টেসপু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা টিম অদুনা থাক ৩ হাইগৎলগা পোইন্ট টেবলগী ১৭শুবদা লৈখি।

# সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট খল্লক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭(ঐচএনএস):
স্পোন্টেনিয়স এসোসিএসন ওফ জম্প রোপ (এস এ জে আর), মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ৱাবগাই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, এম দি ফজুর রহিমবু জম্প রোপ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লক্লে হায়না এস এ জে আরগী জেনরেল সেক্রেটরি মহমদ সায়িদ অহমদনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। এম দি ফজুর রহিমনা জম্প রোপ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম অদু কুমজা ২০২৪ ফাওবা পুগদৌরি।



HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)



HL-B/6497/3/11-31/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com